# পল্লেন্দগী কাংজৈবুং ফাওবা পুং ৫ চঙনা চেল্লকখিবা লমজেলদুনা ঐগীদি খ্বাইদগী শাংবনি : খুমন্থেম লালবাবু



খুমন্থেম লালবাবু
(ভেটরান লমজেল্লোই)

রত্নেশ্বরি গোশ্বামী
অকাউ পরৈ চল্লুরবশিং

অঙাং ওইরিঙৈ মতমদগী শান্ন খোৎনবসি ইপাদি য়াম্না পামজরকখি। অদুগা খুমন লম্পাকসি পীক্লিঙৈদগী হৌনা ঐখোয় হৌমিন কামিন্নরকখিবা মরুপ মপাং ময়ামগী কোয়চেন চেন্দুনা শান্নফম ওইরকখি। ৱাফমসি ভেটরান শান্নরোয় অমা ওইরিবা পাবুং খুমন্থেম লালবাবুনা অহানবা ওইনা ফোঙদোকপীরকখিবনি।

কুমজা ১৯৪০ গী এপ্রিল ২৩ য়ুমশকৈশা নুমিৎতা লাইফম খুনৌ মখা লৈকায়দা লৈবা খুমন্থেম থম্বৌ অমদি খুমন্থেম কমালিনি দেবীগী মপারি ওইনা খুমন্থেম লালবাবু তাইবঙদা খোঙদারকখি। অঙাং ওইরিঙৈ মতমদগী মশা মউ ফনা হৌরকখিবা পাবুং লালবাবুনা শান্না খোৎনবদা করম্না খোঙ থাংজিনবীরকখিবগে হায়বগী মতাংদা শাংলবা ৱারী কয়া মচা খায়না অসুম্না লীবিরকখি।

ঐগী পোকফম শাৎফম ওইরিবা লাইফম খুনৌ মখা লৈকায় অসিদি ঐনা খঙজরকপা মতমদা লাইরিক-লাইশুগসি নিংথিনা হৈবা অহল-লমনগসি কয়া লৈরমদে। অদুবু ঐখোয় লৈকায়সিগী মমাঙ রোমদা লৈরিবা লাইরিকয়েংবম লৈকায় হায়রিবসিদদি লাইরিক হৈবা অহল খরা অদুম লৈরম্মী। লাইফম খুনৌ মখা লৈকায়সিদি লমলোং, থাংমৈবন্দ, চীংমৈরোং লোমদা লৈরিবা মীওইশিংনা হৌদোং থাদোকফম হায়না খঙনরম্মী। লাইরিক লাইশুগী মঙাল ফংবা মীসু কয়া লৈতবগা, ঐখোয়সু লাইরিক তম্বারোমদা কয়া কন্না থৱায় য়াওরক্তে।

হৌজিক ঐনা ইবা পাবা খরা ঙমজরিবা অসিসু লাইরিকয়েংবম লৈকায়গী ময়ায় লৈরক্তা লৈরম্বা লৈখিদ্রবা নিংথৌজম তোম্বী (ময়াম্না অমেরিকা তোম্বী হায়রগা খঙনখিবা) হায়রিবা অহলসিনা তাকপী তম্বীরম্বদগীনি। অহলসি লাইরিক্তা থৱায় য়াম্না য়াওবা মীওইনি। অঙাংশিংসি ফার-ফারগা লাইরিকসি তাকপীরকপনি।



ইচাশা নখোয়সু লাইরিক হৈনবা হোৎনৌনে, থবক খুদিংমক অসি লাইরিক য়াওদবা য়ারোইনে হায়দুনা য়াম্না কন্না হায়রকখি। অসুম্না ঐহাকসি পুংকক চাওরকপা মতমসিদা ইহান হানবা ওইনা লমলোং এল পি স্কুলদা অ... আ... তমজরকখি। ক্লাস টু ফাওবা এল পি স্কুলদদা কাজরকখি। মখা তারকপদসু, লমলোংগী এম ঈ স্কুলদা ক্লাস ফাইভ ফাওবা তমজরকখি। মতমদুদগীনি ঐনা শান্নবা হৌরকখিবসি। ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈ মতমদা নবেম্বর ১৪ অসি অঙাংশিংগী নুমিৎনি হায়না কাংজেবুংদা মাগী মাগী স্কুলগী ড্রিলনচিংবা তৌবগা লোয়ননা স্পোর্টস কম্পিটিসন কয়াসু তৌরম্মী।


এম ঈ তম্বা মতমদুদা ঐহাক লমজেলগী আইটেমদগী মনা মথুম ফজনা লৌবা ঙল্লে। মোজা ফুরিৎ, ফিরোল পীবসি ঐখোয় মতমদা য়াম্না তৌনরম্মী। মকোক মথং তাবগী প্রাইজসি পুল্লপ পুল্লপ পুরগা লাকখি। ঐনা শান্নরকখিবগী মতাংসিসু লৈখিদ্রবা তাচৌ ৱারীবম কামিনিকুমার (ফুটবোল কোচ ওইরম্বা) না পুথোকপীরম্বনি।

ঐহাকসি তাচৌ কামিনিকুমারগী মনাওনুপা দল্লিয়ু ইবোচাগা য়াম্না তিন্নজরকখি। অহানবদা ইবোচাগা ঐখোয়নীসি তাচৌ কামিনিনা ফুটবোল য়াও হায়দুনা খরা খরসু শান্নহল্লম্মী। ঐনা লমজেল তীংখৎ তীংখৎতুনা চেনবা উবদগী বাবু নঙ লমজেল ওইনা চেল্লো হায়দনা এদভাইস অমুক তৌরকখি।

ঐগী মীং অসি তাচৌনা বাবু হায়দুনা কৌই। অসুম্না লমজেল খরা চেল্লম্লগা ঐনা ক্লাস ফাইভ কারকপা মতমদুদা ঐবু পোকপা ববাসি লৈখিদে। অদুদগী ঐনা পাম্না শান্নজরকখিবা খুদিংমক্তু লেপ্পা তারকখি। ববা লৈখিদবদগীদি ইমানা লমলোং কৈথেল থোক্তুনা য়াম্না ৱানা ফৌ-চেঙ তাইরগা মচা ঐখোয় মরি য়োক থাক্লবা হোৎনরকখি। নুপাদা ঐনা অহল ওইজরুবনা ঐখোয় ইচিন ইনাও মরি, ইথক্তা ইচে অমা, ইখাদা ইনাও অনী, ইমাগা ঐখোয় মঙা হিংননবা হোৎনবরোমদা ঐহাকসু ৱাখল খনবা হৌরকখি। ইমাগী মতেং পাংলগে, থবক ইনখাং শুবা য়াবা শুরগে হায়দুনা লাইরিক লাইশু তম্বা, শান্ন খোৎনবগী ৱাখল লোইনা থাদোকখি। -মথং-মথং

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ –৩৮

1. করম্বা সহরদা পাঙথোকখিবা ওলেম্পিক গেমসতা পেরুগা ওষ্ট্রিয়াগা ফুটবোল শান্নবদা রেফ্রিগী ৱারেপ পেন্দবদগী পেরুগী ফুটবোল টিমখক্তমক নত্তনা অতৈ মশান্নশিংদা শরুক য়ারিবা শান্নরোয় পুম্নমক থুনমক ময়ূমদা হল্লকখিবগে?
2. মখাদা পীরিবা শান্নরোয়শিংগী মমিং অসিদগী তোঙান তাবা শান্নরোয় অমগী মমিং অমা খন্দোকউ। শঙ্কর লক্ষমন, সহিদ অলি খান, অল্লেন স্কোফিলদ, হানিফ খান, খৃষ্টিয়ান বাসসেমির।
3. ওলেম্পিক গেমসতা সনাগী মেদল অহুম ফংখিবা অহানবা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিং অদু কনা কনানো?
4. ক্রিকেট ক্রাইসিস কৌবা লাইরিক অদু কনানা ইখিবনো?
5. মীয়াম চঙদুনা মতেং পাঙলিবা লমজেল্লোয় অসি কনানো?



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জান্যুৱারী ২৭, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## খাগেম্বা টি-২০ ট্রোফিদা এস এল লিলোং অমসুং লেনিনা এলেভেন মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, জান্যুৱারী ২৫ (ঐচ এন এস): ক্যামগৈ য়ুথ পাইওনর ক্লব, ক্যামগৈ হৈবোংমখোংনা শিন্দুনা চথরিবা অহানবা খাগেম্বা টি-২০ ট্রোফি ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা এস এল লিলোং অমসুং লেনিনা এলেভেন নম্বোল মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুদা এস এল লিলোংনা ৱাই সী এম মোংশাঙ্গৈ ৱিকেট ৫ দা মায়থীবা পীখ্রে। ওভর ১৫/১৫ শান্নখিবা মেচ অদুদা এস এল লিলোংনা টোস ঙমদুনা ফিল্ডিং তৌনবা খনখি।

অহানবা বেট্টিং তৌখিবা ৱাই সী এফ মোংশাঙ্গৈগী বেটসমেনশিংনা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স পীবা ঙমখিদে। মসিগী অচৌবা মরমদি ফিল্ডিং তৌখিবা এস এল লিলোংগী বোলরশিংনা য়াম্না ফজনা পার্ফোমেন্স পীরকখিবননি। মেচ অদুদা অহানবা বেট্টিং তৌখিবা ৱাই সী এম মোংশাঙ্গৈনা ওভর ১৫ মায়োক্লখিবদা শুপ্নগী ৱিকেট ৯ খক আউট ওইরগা রন ৮৯ লৌখি।

ৱাই সী এম মোংশাঙ্গৈনা থল্লম্বা টার্গেট স্কোর অদুগী পাউখুম পীরদুনা অনীশুবা বেট্টিং তৌখিবা এস এল লিলোংনা ওভর ১২.৪ মায়োক্লখিবদা শুপ্নগী ৱিকেট ৫ খক আউট ওইরগা রন ৯১ লৌদুনা ৱাই সী এম মোংশাঙ্গৈবু ৱিকেট ৫ দা মায়থীবা পীখি। মেচ অদুদা এস এল লিলোংগী টিটলুনা মেন ওফ দ মেচ তাখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা লেনিনা এলেভেন নম্বোলনা কে পি ক্যামগৈ ৱিকেট ৬ তা মায়থীবা পীখ্রে।

মেচ অদুদা কে পি ক্যামগৈনা টোস ঙমদুনা অহানবা বেট্টিং তৌখিবদা ওভর ১৩.৩ মায়োক্লখিবদা শুপ্নগী রন ৪৬ খক লৌরগা ওল আউট ওইখি। কে পি ক্যামগৈনা থল্লম্বা টার্গেট স্কোর অদুগী পাউখুম পীরদুনা অনীশুবা বেট্টিং তৌখিবা লেনিনা এলেভেন নম্বোলনা ওভর ৯.২ খক মায়োক্লখিবদা শুপ্নগী ৱিকেট ৪ খক আউট ওইরগা রন ৪৯ লৌদুনা কে পি ক্যামগৈবু ৱিকেট ৬ তা মায়থীবা পীখি। ঙসিগী মেচ অদুদা মায় পাক্লবা লেনিনা এলেভেনগী শান্নরোয় প্রসান্তনা মেন ওফ দ মেচ তাখি।

## সেনিয়র নেসনল সেপাক তাক্রো চেম্পিয়নশিপ্তা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারুগদবা শান্নরোয়শিং ইম্ফাল থাদোকখ্রে



ইম্ফাল, জান্যুৱারী ২৫ (ঐচএন এস):

অন্ধ্র প্রদেশকী কদাপাদা লৈবা ৱাই এস আর ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ২৭ তগী ৩১ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ২৭ শুবা সেনিয়র নেসনল সেপাক তাক্রো চেম্পিয়নশিপ ২০১৭ তা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারুগদবা নুপা অমসুং নুপীগী সেপাক তাক্রো টিম হৌখিবা জান্যুৱারী ২২ দা অন্ধ্র প্রদেশকীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

নুমিৎ ৫ নি চুপ্পা পাঙথোক্কদৌরিবা নুপা অমসুং নুপীগী সেনিয়র নেসনল সেপাক তাক্রো চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়ারুগদবা মণিপুরগী শান্নরোয়শিং হৌখিবা জান্যুৱারী ২২ গী অয়ূক্তা লাইফম খুনৌদা লৈবা এল কে ৱাই দি এগী গ্রাউন্দদগী লমথাখি।

থৌরম অদুদা ওল মণিপুর সেপাক তাক্রো এসোসিএশনগী প্রসিদেন্ট কে ঐচ দোরেন্দ্র অমসুং অমুকোগী প্রসিদেন্ট টি ঐচ দেবান লোয়ননা অমুকোগী ওর্গেনাইজেসন সেক্রেটরি এল থোইথোই খুমন অমদি এল কে ৱাই দিগী প্রসিদেন্ট এম মোবিনা শরুক য়াদুনা শান্নরোয়শিং অদুবু য়াইফ মঙ্গলগা লোয়ননা লমথাখি।

মণিপুর সেপাক তাক্রো টিম অসিদা নুপা অমসুং নুপী শান্নরোয় ৩০, ওফিসিএল ৩ অমসুং জজ মরি য়াওখি। ইম্ফাল থাদোকখ্রবা শান্নরোয়শিংদি নুপাগী কাঙলুপ্তা মণিপুর পুলিস স্পোর্টসতগী এম ননাও, সী ঐচ গেসকান্ট, কে কুমারজিৎ, দব্লিয়ু জোনসন, টি ঐচ জয়কুমার, এল ভুমেশ্বর, এল দিনা, দব্লিয়ু সুরজিৎ, টি ঐচ ইঙোবা, টি গোপেন, ইমশুক হৈঙাংদগী কে ঐচ হোলেন্দ্রো, এম সুসিলকুমার অমসুং এল জোনসন্নী। এস দব্লিয়ু সীদগী ঈ রিসিকান্তা অমদি পি য়ু সী কাইরংদগী এ প্রিয়োজিৎনি।

ইম্ফাল থাদোকখ্রবা মণিপুরগী নুপী সেপাক তাক্রো টিমদা য়াওখ্রবা শান্নরোয়শিং অদুদি মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবতগী ও জিমি, পি ঐচ চাওবা, এ কে জিনা, ঈ রাসেশ্বরি, কে ঐচ রোবিতা, এম অরুনা, ইমশুক হৈঙাংদগী কে ঐচ ওমিতা, ঐচ দাইনা, এল কে ৱাই দি এ লাইফম খুনৌদগী ঈ জিনিতা, এল ঝন্সিরানি অমদি টি মালানি। পি য়ু সী কাইরংদগী দব্লিয়ু প্রমোদিনি, দব্লিয়ু সনাজাওবী, এস দব্লিয়ু সীদগী এস ইলিজাবেথ অমসুং ঈ লৈরেনতোম্বীনি। চেম্পিয়নশিপ অসিদা মণিপুরগী টিমগী ভেন্যু মফমদা হেক থুংলবগা ফিক্সচর পিরক্লগনি হায়রি।

## ষ্টেট লেভেল অন্দর-১৩ নাইন এ সাইদ ফুটবোল

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ২৫ (ঐচএন এস):

ময়াং লাংজিং য়ুথ লাইব্রেরি ক্লবনা শিন্দুনা ঙসিদগী ক্লব অসিগী গ্রাউন্দদা চথবা হৌখ্রবা ১২ শুবা ষ্টেট লেভেল অন্দর-১৩ নাইন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭ কী ফাইনেল কে ৱাই দি ও সেকমাই অমসুং ৱাই এস সী নাওরেম চাপ্রৌ অনীনা শান্নরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমী ফাইনেল মেচতা কে ৱাই দি ও সেকমাইনা কে ৱাই এফ এ কোইরেঙ্গৈ গোল ২-০ দা মায়থীবা পীরল্লগা কে ৱাই দি ও সেকমাই ফাইনেল চঙখ্রে।

মেচ অদুদা মায়থীহৌরবা কে ৱাই দি ও সেকমাই ফাইনেল চঙবা ঙমদনা টুর্নামেন্ট অসিদগী নীংবা কায়না লৈহৌখি। মায় পাক্লবা কে ৱাই দি ও সেকমাইগী অহানবা গোল কিরনকুমারনা মেচকী ১১ শুবা মিনিটতা চন্দুনা টিমগী মায় পাকপগী লম্বী শেমখি। টিমদুগী অনীশুবা গোল বুঙোবীনা মেচকী ৫০ শুবা মিনিটতা চনখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচতা ৱাই এস সী নাওরেম চাপ্রৌনা আর কে সী এস গেম ভিলেজ গোল ২-১ দা মায়থীবা পীরল্লগা ৱাই এস সী নাওরেম চাপ্রৌ ফাইনেল চঙখ্রে। ঙসিগী মেচতা মায়থীহৌরবা আর কে সী এস গেম ভিলেজ ফাইনেল চঙবা ঙমদনা টুর্নামেন্টে অসিদগী লৈহৌরে।

মায় পাক্লবা ৱাই এস সীগী অহানবা গোল এ জেলিসনা মেচকী ২৫ শুবা মিনিটতা চনখি। টিমদুগী অনীশুবা গোল এ এমসন্না মেচকী ৪২ শুবা মিনিটতা চনখি।

## থাও ষ্টেট লেভেল মিনি, সব জুনিয়র ফুটবোল টুর্নামেন্টতা য়ু য়ু এফ সী অমসুং এম এস এ মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ২৫ (ঐচএন এস): থাংমৈবন্দ এথলেটিক য়ুনিয়ন (থাও) না শিন্দুনা থাও স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা চথরিবা ৩০শুবা মিনি অমসুং ২৪ শুবা সব জুনিয়র থাও ষ্টেট লেভেল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬-১৭ কী ঙসি শান্নখিবা চহী ১৪ মখাগী মেচতা য়ু য়ু এফ সী উরিপোক অমদি চহী ১৭ মখাগী কাঙলুপ্তা এম এস এ থাংমৈবন্দ সিনাম লৈকায় পাকখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা চহী ১৪ মখাগী মেচ অদুদা য়ু য়ু এফ সী উরিপোক্না ঈ টি এল এফ সী থোংজু গোল ৬-০ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদুদা চাউনা মায় পাক্লবা য়ু য়ু এফ সী উরিপোক্কী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না হৈশিংনা শান্নরকপনা ওপোনেন্ট টিমগী মায়কৈদা অকন্নবা এটেক কয়া চথুখি। মেচকী অঙনবা মতমদগী হৌনা য়ু য়ু এফ সী উরিপোক্কী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না কন্না শান্নরকখিবনা টিমদুগী গোলশিং মথং মথং চনশিল্লকখি। য়ু য়ু এফ সী উরিপোক্কী অহানবা গোল মেচকী অহুমশুবা মিনিটতা টি ঐচ ব্লেসনা চন্দুনা টিমগী মায় পাক্লবগী লম্বী শেম্বা হৌখি। য়ু য়ু এফ সী উরিপোক্না গোল অমা মাঙজিল থাখ্রবা মতুং ঈ টি এল এফ সী থোংজুগী শান্নরোয়শিংনা গোল হন্দোক্লবগীদমক য়াম্না কন্না শান্নরকখি অদুবু টিম অসিগী শান্নরোয়শিংগী মরক্তা কোওর্দিনেসন ৱাৎপা মরম্না গোল অমত্তা য়ু য়ু এফ সীগী মায়কৈদা চনশিনবা ঙমখিদে।

গোল অমা মাঙজিল থানা লৈরিবা য়ু য়ু এফ সী উরিপোক্কী শান্নরোয় এন মালেমঙানবনা টিমদুগী অনীশুবা গোল মেচকী ৯ শুবা মিনিটতা চনখি। টিমদুগী শান্নরোয় কে ঐচ হিটলরনা গোল অনী মেচকী ১৯ অমসুং ৪০ শুবা মিনিটতা, এল অলেক্সনা গোল অমা মেচকী ২৮ শুবা মিনিটতা অদুগা এল নেলসন্না গোল অমা মেচকী ৪০ শুবা মিনিটতা চন্দুনা টিমদুগী পূন্না গোল ৬ শুখি।

ঙসি শান্নখিবা চহী ১৭ মখাগী মেচতা এম এস এ থাংমৈবন্দ সিনাম লৈকায়না এস দি সী শমুরৌ গোল ৪-০ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদুদা চাউনা মায় পাক্লবা এম এস এ থাংমৈবন্দ সিনাম লৈকায়গী গোলশিং অদু এল বেঙ্গোনসন্না গোল অনী মেচকী ২৯ অমসুং ৫৩ শুবা মিনিটতা চনখি। এল ফোরেন্না গোল অমা মেচকী ১০ শুবা মিনিটতা অদুগা এস জোনসন্না গোল অমা মেচকী ১৪ শুবা মিনিটতা চনখি।

## দেবলা ট্রোফি টেনিস বোল ক্রিকেট টুর্নামেন্টতা টাইটান খেকমন মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ২৫ (ঐচ এন এস): দেবলা মেমোরিএল ত্রষ্টনা শিন্দুনা চথরিবা দেবলা ট্রোফি টেনিস টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেচতা টাইটান খেকমন মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ এগী মেচতা টাইটান খেকমন্না এল সী এ খাঙবোক রন ১০৪ দা মায়থীবা পীখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা লীগ মেচ অদুদা টাইটান খেকমন অমসুং এল সী এ খাঙবোক্কী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না কম্পিটিটিভ ওইনা শান্নখি অদুবু মেচ অদুদা টাইটান খেকমনগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স পীখিবনা এল সী এ খাঙবোকপু লাকচরপ তৌনা শান্নখি।

মেচ অদুদা টাইটাক খেকমন্না টোস ঙমদুনা অহানবা বেট্টিং তৌনবা খনখি। টাইটান খেকমন্না ওভর ১৫ মায়োক্লখিবদা ৱিকেট ৫ আউট ওইরগা রন ১৭৪ লৌখি।

টাইটান খেকমন্না থল্লম্বা টার্গেট স্কোর অদুগী পাউখুম পীবা ঙমদনা অনীশুবা বেট্টিং তৌখিবা এল সী এ খাঙবোক্না ওভর ১৪.২ মায়োক্লখিবদা শুপ্নগী রন ৭০ খক লৌরগা ওল আউট ওইদুনা টাইটান খেকমনগী মখূৎতা মায়থীখি। মেচ অদুদা মায় পাক্লবা টাইটান খেকমনগী রিনজুনা রন ১২৩ (৫০) লৌদুনা মেন ওফ দ মেচ তাখি।



HL-P/10395/4/01-03/02



HL-B/3600/10/1-10/2

